থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মণিপুর থিয়েটর দে পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক




থিয়েটর সেন্টর, মণিপুর-টি সী এম-লিংখৎখিবা চহী ৬৪ শুরক্লে। ১৯৫৪, মণিপুর দ্রামাটিক যুনিয়নগী 'হাওরং লৈশং শাফবী'না ভারত পুম্বই লীলা চাংদম্নবগী ফোল্ক কেটেগোরি'দা বেষ্ট প্রদক্সন ফংলকখিবা অদুনা মণিপুরী থিয়েটরবু নেসনল থাক্তা ইনখৎলমখিবা হাক্তক্তা 'ভারতিয়া নাত্য সংঘ'না, মহাক্কী মণিপুর যুনিট থিয়েটর সেন্টর লিংখৎহনখি। হাওরং লৈশং শাফবী'গী দিরেক্টর, টি সী এমগীনা ফাউন্দর, মণিপুরী থিয়েটর য়াওলগী লময়ানবশিংগী মরক্তা অমা ওইরম্বা সোরোকখাইবম ললিত সিংহ'না তাইবংপান থাদোকখিবা নুমীৎ (১৯৫৫, ওক্টোবর ২১) অসিবু থিয়েটর সেন্টর, মণিপুর'না- 'মণিপুর থিয়েটর নুমীৎ' হায়না পালন তৌরক্লি। নুমীৎ অসিদা সেন্টর অসিনা মণিপুরগী শক্লাইরবা থিয়েটর থৌমী অহুম খনগৎতুনা 'ললিত নীংশিং খুদোল' য়াওনা, থিয়েটর এৱার্দ অহুম পী। কুমসিগী ওইনা 'ললিত নীংশিং খুদোল'- নোংথোম্বম প্রেমচান্দ'দা পীখি। অদুগা, অতোপ্পা এৱার্দ অনী ফংখিবশিং অদুনা শ্রী কে বি শর্ম্মা (কোস্মো এৱার্দ) অমদি শ্রীমতি এলাংবম ইন্দু দেবী (পাওম্বম ওংবী ইন্দুবালা নীংশিং খুদোল) নি। ২০১৮ গী 'মণিপুর থিয়েটর দে' অসিগী থোইদোকপা মশক্তি- থিয়েটর সেন্টর এৱার্দ য়েন্থোকপা অদু নৎখিদে। নুমীৎ অসিগী অয়ুক্কী থৌরম- মণিপুরী থিয়েটরনা হান্নগুম মতু মমান খীংদনা, শোন্দম-নাদম, শিরুম নারুম হিংলিবসিগী মরম নৈনবা, শিথরক্লবা কম্পোজিৎ আর্ট মখল অসি কন্ননবা করি পান্থে লৈবগে থিমিন্ননবা খন্ন-নৈনবা, পিক্তক তৌবা সেমিনারগী শরুক অদুনি, হেন্না নীংশিংনিংঙাই ওইরিবদি।

সেমিনার অদুদা, তোঙান তোঙানবা হিরম মঙাদা স্কোলার মঙানা ৱা ঙাঙখি, অইবা চে পাথোকখি। 'শুমাঙ লীলা'গী মতাংদা 'পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মা', মণিপুরী (প্রোসিনিয়ম) থিয়েটরগী মরমদা নোংথোম্বম প্রেমচান্দ, পেনা ফমশক'কী মরমদা 'মাখোনমনি মোংশাবা', মণিপুরগী ফাগী-লীলাগী মতাংদা 'যুম্নাম রাজেন্দ্র' অমসুং মণিপুরগী 'লাই হরাওব'গী মরমদা 'রনজিৎ অধিকারি'না মনুং হুৎপা নৈন-ৱারোল মীয়ামদা পুথোক্তুনা তাহনখি। ইন্টরএক্সন/দিস্কসনগী শরুক য়াওদে। ইচম চম্বা 'স্কোলারলি দিসকোর্স'নি 'সেমিনার' নত্তে। দেলিগেট'শিংগী লৌশিং হেনগৎহন্নবা এক্সপার্টশিংবু ঙাওহনবনি।

কনানা করি হায়খিবা কোল্লমসিদা পুথোক্তুনা পাউদমজরোই। অইবা ওইনা অশিন অরাঙ তৌরিবশিংদা লানখৎখিবদু লাইরিক ওইনা নমথোক্লগা পুথোক্কনি হায়রি। কনাগুম্বা পেপর রিদরগীদি লাইরিক ওইনা পুথোক্লবা শেম শাবা লোইরবা অদুদগী মতেক খরা লৌথোক্লগা পাথোকপনি হায়খি। মহাক্কীদুমদি অনৌবা ওইররোই। রিপিটিসন ওইরনি। দিস্কসনগী শরুক য়াওদবনা মোদরেটর ওইবগী থৌদাংদি পাঙথোকখিদ্রবা মোদরেটর'না হায়খি... থিয়েটর হায়বসি কলা পুম্নমক্কা পুল্লগা শেম্বা, কম্পোজিট ওইবা আর্ট অমা ওইবনা, মরী লৈনবা আর্টশিং অসিবুসু য়াওনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি, থিয়েটর নৈনবা হায়বসি মরী লৈনবা হিরম পুম্নমকসিসু য়াওনা নৈনদ্রবদি নৈনবগী ৱাহন্থোক লৈতে।

সেমিনারদুগী স্কোলার পুম্নমক্কা, মখোয় মখোয়গী ৱারোল পীবদা অমত্তা ওইনা য়ানবা ৱারোল অমখক য়াওরি। মদুদি- মণিপুরী থিয়েটর শিথরক্লে। য়েংবীনবা মী ৱাংশিল্লক্লে। অয়েংবশিংনা থিয়েটর হোলশিংদগী (থিয়েটর পর্ফোর্মেন্সতগী) লাপথোকখরে। য়েংবীনবা লৈতবগী অৱাবা অসি হৌজিক্তি শুমাঙ-লীলাদসু য়ৌরক্লে হায়বা ৱা অমা শুমাঙ লীলা কাউন্সীলগী লাইফ-টাইম প্রসিদেন্টকী মচিন্দগী তাবা অদুমদি ঐহাক চাননা অঙকপা পোকখি। প্রোসিনিয়ম থিয়েটরদগী ভাবোকশিংনা লাপখ্রবসু শুমাঙ লীলা য়েংবীনবা মীদি শুকৱাৎ ৱাংলোই হায়নরম্বা, আর্ট ফোর্ম অসিদসু অসিগুম্বা প্রোব্লেম মায়োক্লরকপা। মরম অনীসি মান্নরোই। হৌরকফম ওইবা, রুট কোজ অনীসি মান্নদ্রসু, মান্নবা অমদি লৈ। মদুদি 'লীলা তৌরিবা ঐখোয়না প্রোব্লেম অসি খঙদবা', নৎত্রগা 'খঙননা হোৎনদবা'।

পীকখ্রবা কাখল অসিগী তেনখ্রবা পাউদম অসিদা চাউখ্রবা প্রোব্লেম অমগী হৌরকফম অমদি সোল্যুসন নৈনরুবা ওইথোক্তে খঙনা খঙনা নৈননিংবা অমদি থম্মোয়সিদা কন্না ফাওরক্লি। নহান সেমিনার নুমীৎতুদা মীনিট অনী অহুমদং হায়জনবা, সেয়র তৌজনবা তাঞ্জা ফংলল্লবা, পাউদমসিসু ইরল্লোই।

লেপ্তুনা চেন্থরিবা মতমগী ঈচেলসিনা হোংহল্লকপা মীওইবগী ৱাখলনি। ৱাখল হোংলকপা অদুননি অপাম পামদা হোংলক্লিবা। মীওইবগী ৱাখলগা ইরোয়নবা, থানবা য়াদবা পোখোক্লি মীওইবগী কলা। কলাকারগী ৱাখলদুনা হোংলকপদা কলাদুসু হোংলকই। কলাদুবু য়েংলিবা মীওইদুগী ৱাখল অমদি মাগী অপাম্বদুদি করিগী হোংলল্লোই। পর্ফোর্মর অমদি অয়েংবা অনীগী মরক্তা তঙাইফদনা লৈনগদবা মরীনি-অমনা অমদা থম্নবা ম্যুচুঅল রেস্পেক। রেস্পেক অদু ৱাৎপননি অমনা অমদই লাপথোক্লরক্লিবা।

অয়েংবশিংগী পূক্লিং কলাকারনা খঙদ্রবা কলাকার নত্তে মহাক। থিয়েটর অমদি ফিল্ম- এন্টরটেন্টমেন্ট ইন্দষ্ট্রিনি। এন্টরটেইন তৌবা হায়বসি পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহনবদুখক নত্তে, য়েংফম ফমফম নুংঙাইহনবা অদুসু মরুনি। মোদর্ন টাইমসকী মোদর্ন ওদিয়েন্সশিংনা তোংদুনা লাকপা জীপ-কার-মোটোর সাইকল-স্কুটরগী থম্ফম করম্বা থিয়েটর'না নীংথিজনা শেমগৎপগে? এম দি যু, রূপমহলগী পর্ফোর্মেন্স স্পেস অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী থাক'তুদগী কয়া য়াম্না হেনগৎলবগে? অয়েংবশিংনা ফম্লগা য়েংনবা, নুংঙাইবা ফম্ফম শেম্বীগে- কনাগী ৱাখলদা খনখ্রবগে? ওদিটোরিয়ম কমপ্লেক্সতুদা তরু তনানবা রেষ্টুরেন্ট - মতমসিগী দিমান্দনি। ফম্ফমদুদা পোপকোর্ন, কোল্ড ড্রিঙ্ক লানশিল্লকপদুগীনি ভেল্যু এদ্দেদ টেক্স। সোপ্পিং মোল কন্সেপ্ট লাকপা কয়াম কুইরগে? ইমা কৈথেলগী লুকমায় পানবী ইমাশিংগী পোথাশঙ ওইরম্বা রূপমহল-অর্য়ানগী মতমদু অমুক হল্লক্লরোই।

এয়র কন্দিসন রুম অমদা সোফাদা ফম্লগা লীলা য়েংগে খনবা মীরোলদুগী মতমনি। য়েংনিংলিবা লীলাসু হরীশচন্দ্র/নন-দময়ন্তি/হাওরং লৈশং শাফবী নত্তে। য়ারগদি স্পাইদরমেন/সুপরমেন য়েংগে হায়রিবনি। টেক্নোলোজিগী থাক'সিনা অসি য়ৌনা চাউখৎখ্রগা, অয়েকপা বেকদ্রোপ ষ্টেজদা ইমেজেরি অমা শেমগৎলু হায়বদু ঙসিগী ওদিয়েন্স'না য়ানিংদে। ঙসিগী থিয়েটর ওদিটোরিয়ম খরদি ফমফম ফাওবা থাবীদে, ভাবোক লাক্লিংদে হায়দুনা করিগী ৱারৌরুরিবা? পুম্নমকসি কাউথোক্লগা লীলা তৌবা ঐখোয়না খল্লি- ভাবোক লীলা য়েংবা হৈতে। মতম অমদা ওজা সমরেন্দ্রনা ভাবক মশক খঙনবা, মখোয়গী অপাম্বা খঙনবা হোৎনখিবদু নীংশিংলকই। মণিপুরী থিয়েটর অমদি ফিল্মগী ওদিয়েন্স ৱাৎলকপগী মরমনা অমনি। শুমাঙ লীলাগী প্রোব্লেম'না অমনি। শুমাঙ খুদিং কৌরগা, দক্ষিনা কৎলগা শান্নহল্লম্বা কুম্মৈ'দু শুমাঙদা কৌবা ঙম্বা মীগী মশিং হন্থরকপা, মমলদুগা লৈবা ঙম্বা মীগা চুশিন্নবা ঙমদবনি। শুমাং লীলা শঙলেন'দদি অয়েংবা ৱাত্তেদনা।

লৌশিং পুক্কে

# থম্মোয়গী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বা থৈবোং অমদি ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনখৎহল্লিবা কফোই

খা নোংপোক এসিয়াদা মরু ওইনা ফংবা থৈবোং হায়রিবা উহৈ অসি মলবেরি কাঙলূপকী মনুং চল্লি। মপান্দা তিংখংগী মওংদা ইকন-কনবা মকু পাল্লগা মনুংদনা থোৎ-থোৎ লাউবা মতোং য়াওবা উহৈ অসিগী হৌরকফম ইন্দিয়ানি। উহৈ অসিবু খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্লিবা লৈবাক্তি থায়লেন্দ অমসুং ভিয়েটনামনি।

ফাইবরগী চাং ৱাংনা য়াওবা মতোংগী শরুক অসি জাম, চতনি, কেন্দি, কেক অমসুং অতৈ অথুম-অহাউশিং শেম্বদা শীজিন্নে। মুন্দ্রিবা অশংবা থৈবোংবু এঞ্চাং ওইনা থোংলগা চাবা য়াই। মনুংদা য়াওবা মরূবুনা ফূৎলগা চান্নে।

ফেটকী শরুক য়াওদবা অদুগা এনর্জিগী চাংদি ৱাংবা উহৈ অসিগী সাইন্টিফিক ওইবা মমিংদি Artocarpus Heterophyllus কৌই। ভিটামিন, মিনরেল, ফাইবর, ইলেক্ট্রোলাইট, ফাইটোন্যুট্রিয়েট, কার্বোহাইড্রেট, ফেট অমদি প্রোটিন মরাং কয়ানা য়াওবা থৈবোংদা কেলোরি চাং ৱাংনা য়াওরবসু কোলেষ্টরোল নৎত্রগা সেচুরেটেদ ফেটতি য়াওদে।

থৈবোং গ্রাম ১০০, খক চাবদা হকচাংনা ফংলিবা কান্নবসি এনর্জি কিলো কেলোরি ৯৫, কার্বোহাইড্রেট গ্রাম ২৩, চিনি গ্রাম ১৯.০৮, দাইটরি ফাইবর গ্রাম ১.৫, ফেট গ্রাম ০.৬৪, প্রোটিন গ্রাম ১.৭২, ভিটামিন এ গ্রাম ৫, বেটাকেরোটিন গ্রাম ৬১, ল্যুটিন জিজেনথিন গ্রাম ১৫৭, ভিটামিন বি-১ মিলিগ্রাম ০.১০৫, ভিটামিন বি-২ মিলিগ্রাম ০.০৫৫, ভিটামিন বি-৩ মিলিগ্রাম ০.৯২, ভিটামিন বি-৫ মিলিগ্রাম ০.২৩৫, ভিটামিন বি-৬ মিলিগ্রাম ০.৩২৯, ভিটামিন বি-৯ গ্রাম ২৪, ভিটামিন সী মিলিগ্রাম ১৩.৮, ভিটামিন ঈ মিলিগ্রাম ০.৩৪, কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ২৪, মেগনেসিয়ম মিলিগ্রাম ২৯, আইরন মিলিগ্রাম ০.২৩, ফোসফরস মিলিগ্রাম ২১, পোটাসিয়ম মিলিগ্রাম ৪৪৮ অমসুং জিঙ্ক মিলিগ্রাম ০.১৩ নি।



অথুম্বা উহৈ ওইজরবসু দাইবেটিস নাবা মীওইশিংনা চাবদা ব্লদ সুগর ৱাংখৎলক্কনি হায়বগী নুংশাথিবা পোক্লিংঙাই ওইদ্রবা উহৈ অসি চাবনা পীরিবা কান্নবশিংদি ইম্যুন সিষ্টম মপাঙ্গল কলহন্দুনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা, ব্লদ প্রেসর মেন্টেন তৌদুনা থম্মোয়গী লায়নাদগী ঙাকথোকপা, চাবা তুমহনবা, কোলোন কেন্সর অমদি নুংশংদগী ঙাকথোকপা, মীৎ ফহনবা, উনশা ফজহনবা, অজমাদগী ঙাকথোকপা, শরূগী মপাঙ্গল কলহনবা অমসুং ঈদা য়াওবা হিমোগ্লোবিনগী চাং ৱাংখৎহনবা অসিনচিংবনি। অঙকপা মগুণ কয়া চেল্লগা উহৈ অসি চাং নাইনা চারবদি মতম কুইনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী।

অমরোমদা, তোপ তোপ্পা মনম অমদি মহাউ অমগা লোয়ননা হকচাংদা কান্নরবা মচল কয়ামরুম য়াওবা কাফোই হায়রিবা উহৈ অসি LYTHRACEAE ফেমিলিগী মনুং চল্লি। মসিগী সাইন্টিফিক ওইবা মমিংনা PJNICA GRANATUM কৌই।

চাংচৎতা কাফোই পাম্বীগী অৱাংবা মিটির মঙাদগীনা মিটর নিপাল ফাওবনি। পাম্বী অমদা সেন্টিমিটর ৬ তগী ১০ ফাওবগী দাইমেটর ওইবা অমসুং অমমম্না গ্রাম ২০০ রোম লূম্বা উহৈ কয়ামরুম পাল্লি।



গ্রাম ১০০ লূম্বা কাফোই অমা চাবদা হকচাংনা ফংলিবা কান্নবসি কেলোরি ৮৩, সোল্যুবল অমদি ইন্সোল্যুবল দাইটরি ফাইবর গ্রাম ৪, নোংমগী হকচাংনা মথৌ তাবা ভিটামিন সি চাদা ১৭, পেন্টাথেনিক এসিদ, ফোলেট, পাইরিদোক্সিননচিংবা ভিটামিন বী, ভিটামিন কে অমদি কেলসিয়ম, কোপ্পর, পোটাসিয়ম, মেগনিজনচিংবা মিনরেলশিংনি।

প্যুনিকেলাজিন কৌবা কাফোই খক্তদা য়াওবা কম্পাওন্দ অমনা হার্ট অমদি শিংলী-নাওরী ফগৎহল্লি হায়বা হন্দক্তা থিজিন হুমজিনবদগী খঙবা ঙল্লে। প্যুনিকেলাজিননা কোলেষ্টরোল অমদি ব্লদ প্রেসর হনথহনবগা লোয়ননা ঈগী ঈচেল ফগৎহল্লি। মরম অদুনা হার্টকী লায়না লৈবা মীওইশিংনা নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা কম্ফোই চারবদি ষ্ট্রোক অমসুং হার্ট এটেক্লচিংবা তুংদা থোক্লক্কদবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকই।

অতোপ্পা থিজিন হুমজিনবা অমদগী কম্ফোই চাবনা ব্রেষ্ট কেন্সর, প্রোষ্টেট কেন্সর, কোলোন কেন্সর, ব্লদ কেন্সর অমসুং অতৈ কেন্সর মখল খরদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা খঙলে।

ইন্টরনেশনেল জর্নেল ওফ ইম্পোটেন্স রিসর্চতা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না নুমীৎ খুদিংগী কম্ফোই মহী য়াউম নিপাল থক্লবদি ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা যুম্বাল পুন্সি মপুং ফাহল্লি হায়রি।

নুমিৎ খুদিংগী ময়ায় ওইরপ চাউরবা কাফোই মপুম অমা চারবদি হকচাংনা নোংমগী মথৌ তাবা ভিটামিন সি চাদা ৪০ রোম ফংবা ঙম্মী। মসিনা হকচাং মনুংদা থোকপা ইনফ্লেমেসন খরমখৈ হন্থহল্লি। কেন্সর, থম্মোয়গী লায়না অমদি দাইবেটিসনচিংবা লায়না পুম্নমক ইনফ্লেমেসননা ওইহল্লকপা মরম্না নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা কফোই চাবা য়াম্নমক তঙাইফদে।

কাফোইদা য়াওবা কান্নরবা মচলশিংনা ৱাখল লায়না অমদি শরু পাথরকপগী খুদোংথিবা মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙম্মী।

# অশোকপা পুলিস কন্সটেবলদা তেংবাংখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): মোলনোই খুলদগী হোলমিনলেন (জেক) অপোকপা লৈখিদ্রবা হোইচিনপাও কৌবা অমা থা অসিগী ১৭ তা টেংনৌপলদগী গাড়ি মচা অমদা তোংদুনা লাকপদা পল্লেন এরিয়াদা মশা মথন্তা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অরুবা ফিভমদা হৌজিক জিবন হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা পুলিস কন্সটেবল অসিদা টেংনৌপল এস পি ডা. ইবোমচানা শেলগী মতেং পীখ্রে।

হৌজিক ককচিং জিবন হোস্পিটালগী আই সী যুদা এদমিট তৌদুনা কোক্কী শরুক শোক্তুনা লায়কন্নরিবা হোলমিনলেন এলায়স জেককী লোইনবীদা ঙসি টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচা, টেংনৌপলগী দি এস পি অমদি টেংনৌপল পুলিসকী ও সী য়াওনা চত্তুনা পুলিস কন্সটেবল অসিগী লোইনবীদা লুপা ৭৮,৮০০ অসি হীদাক-লাংথক লৈনবা মতেং ওইনবা পীখিবনি হায়রি। হায়রিবা শেনফম অসি টেংনৌপলগী এস পি অমদি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিং খায়জিন্নরগা শেনফম অদু পীবনি হায়রি।

# কোন্দোং লাইরেম্বী থৌগল লুপনা ৱারোল কয়া ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না ঙরাং মিদিয়াদা ফোঙদোরকপা ৱাফমদা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বীগী খুভমদা লৈবা লাইশঙগী মতাংদা থল্লকপা ৱাফমশিংগী মতাংদা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী থৌগল লুপ, মোরেনা ৱাফম খরা ফোঙদোরক্লি।

ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী থৌগল লুপ, মোরেগী প্রসিদেন্ট এন পুলিন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মোরে ৱার্দ নম্বর ৯, হৌজিক্লা চিক্কিম ভিলেজদা লৈরিবা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বীগী লাইশঙ অসি মোরে মীতৈনা হেক খুন্দারকপদগী লৈরবা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বীগী খুভমনি। মতমদুদা ইচম চম্বা শঙ ওইনা লৈরগা শেবারিগীসু যুম লৈরম্বনি। মতমগী মতুংইন্না কুমজা ১৯৮০ দা মোরে হেন্দলুম সিল্ক ৱিভর্স কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ মোরেগী ইমা-ইবেলশিংনা মলবেরি হৌজিক্কী ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী টেম্পলগী মনিং মায়কৈ, অৱাং অমসুং অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা থারম্মী।

ইমা কোন্দোং লাইরেম্বীগী শঙলেনদসু সিল্ক ৱার্ম য়োকপগী ট্রেনিংসু তৌখ্রবনি। হৌজিক চিক্কিম ভিলেজ লৈরিবা মফম অসিদগী মোরে কোলেজগী শরুক ফাওবা মতম অদুগী পব্লিক লীদর ওইরম্বা শগোলশেম তোম্বা অমদি মাগী নক্লবশিংনা লৌ উরম্বী। অদুগা হৌজিক ওইল পম্প ওইরিবা মফম অসিদনা সোরোখাইবম চাওবনা মী নেত্তুনা লৌ উরম্বা মফমনি হায়রি।

কুমজা ১৯৯৬ তা যু জি গ্রুপ অমনা মোরেগী পি দব্লিউ আই বি দা লৈবা গোর্খা রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা ৱাটর রিজর্বর, মোরে ৱার্দ নম্বর ৯ দা ঈশিং শোকপা লাকপদা হৌজিক জেহোভা জিরে ওর্ফানেজ লৈরিবা মপা অসিদা এম্ব্যুস তৌখি। মসিগী মখা তাবদা গোর্খা রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা মলবেরি পাম্বী, লৌনচিংবা লোইনা মাঙ তাকহনখি। মদুগী মতুংদা ঐচ দি সী অমসুং মোরে এরিয়া দিসপ্লেস পর্সন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এম এ দি দব্লিউ এ) না মৈতৈ কাউন্সিল মোরে অমদি ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী থৌগল্লুপ মোরেদা কুমজা ১৯৯৭ দা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী খুভম মনাক্কী মৈতৈগী লমশিং অসি মখোয়দা পীবীরো। মফম অসিদা চুড়াচান্দপুর, উখ্রুল অমদি তমেংলোংদগী কুকি নাগা ক্লাসনা মরম ওইদুনা চেল্লকপা দিসপ্লেস কুকিশিং লৈহনগে হায়রমখি।

মদুগী মতুংইন্না কুমজা ১৯৯৭ গী ফেব্রুৱারি ২৫ দা মতম কুইনা অমদি থেঙখাং কয়া থোক্লা ৱারী শানরবা মতুংদা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী থৌগল্লুপ অমসুং এম সী এমনা নাকল অমা ওইরগা ঐচ টি সী অমসুং এম এ দি দব্লিউ এনা নাকল অমা ওইরগা লমগী ঙমখৈ কুমজা ১৯৯৭ গী ফেব্রুৱারি ২৫ দা য়ানখিবনি। অদুবু মফম অসিদা দিসপ্লেস কুকি ইচিন ইনাওশিং খুন্দাবগী মহুত্তা মোরে টাউনদা ময়ুম মকৈ মতিক চানা লৈরবা মীওইশিংগী ওইনা যুম শারকখ্রে হায়রি।

মসিগী মতুংদা চিকিম ভিলেজ ওইনা থোরকখ্রে। হায়রিবা চিকিম ভিলেজ অসিদি কুমজা ২০০৩ দা ভিলেজ রিকোগনাইজ তৌবগী মণিপুর গভর্নমেন্টদা ওর্দর লৈরিবনি হায়রি।

ইমা কোন্দোং লাইরেম্বীগী লাইশংশিগী সেবারি কয়াসু থেংখাং কয়াদা কিহন খঙহনবা থৌদোকশিং থোকখ্রে। অদুগা লাইশঙগী থোঙ থুগায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন শেল অমদি পোৎচৈ কয়া হুরানখ্রবনি। সেবারি সেলুংবগী লৈফমসু কুমজা ২০১৫ কী ওগষ্ট ১৮ দা মৈ থাদোকপীখ্রবনি। ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হায়বসি মৈতৈদা নত্তনা কম্যুনিটি কয়ানা থাজনা খুরুম্নরিবা লাইরেম্বীনি। মসিবু নীংজবা কাওবুনা লাইশঙসিগী লৈজরিবা লমদা যুম শাদুনা সেবা তৌজবা হায়বসি ঐখোয়গী রাইটনি। মসিনা অতোপ্পা কম্যুনিটিদা অকায়বা পীগদবা নত্তে, হেন্নদুনা যুমথংননা লৈমিন্নরগা অৱাৎ অপা হংনদুনা চাউখৎমিন্নবা য়াই, নুংশিনবসু হেল্লক্কনি। মসিদা মৈতৈনা কম্যুনিটি তৌদুনা অতোপ্পা কম্যুনিটিদা নুংশিনদনবা তৌরোই হায়রি। ৱারোলশিং অসিগী মতাংদা ৱারী শাবা য়াওবা মীওইশিংনা হেন্না খঙগনি। মীপুম খুদিংমক্না ৱারৌ পুকলৌবা লৈতনা ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবদা তরাম্না ওক্কনি। ৱাফম অসিগী অশেংবা খঙবিনিংলগদি মতম অদুগী এগ্রিমেন্ট তৌনবদা শরুক য়াখিবা ওর্গনাইজেসনশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা খঙমিন্নবা য়াগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# এম কে ফিটনেস সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২: সগোলবন্দ থাঙ্গপাৎ মপান ইঙুদম লৈকায়দা ঙসি মেমী কালা ফিটনেস সেন্টর হাংদোকখ্রে। সেন্টর অদু হাংদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা উপ-অধক্ষ্য ইম্ফাল ৱেষ্ট, তাকয়েল গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর এন জি বিমোলানা ফোঙদোকখিবদা, নহাশিংনা ফিটনেস সেন্টরদা চঙদুনা শান্নবীয়ু। কম্পিটিসন লাকপা মতমদসু শরুক য়াদুনা মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবীয়ু। খুন্নাই অসিদা মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিং লাইরিক-লাইশু খক্তদা চৎহনবা য়ারক্ত্রে। অঙাংশিং অসি মশা-মউ ফবা ওইহন্নবা হোৎনবসু চঙই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা লায়চুরবা অঙাংশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোকপা ঙম্নবা হোৎনবা তাই। ফিটনেস সেন্টর অসি লৈকায়-লৈকায়দা লিংখৎপা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা এম এ বি বি এগী প্রসিদেন্ট তোংব্রম ইবোচৌবনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। এম এ বি বি এগী এদভাইজর এ কে ইবোতোম্বীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

# এক্তর নর্মাদাদা নেসনল কোনকান মাধুরি এৱার্দ ২০১৮ পীরক্লে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২ (ঐচ এন এস): মোহন্স অভিনায়া সস্ক্রাটিক সংস্থান্না শীন্দুনা গোৱাগী মেদগাউনদা থা অসিগী ৫ দগী ৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা মোহন্স কর্নিবান, ওল ইন্দিয়া মল্টি লেঙ্গুয়েল প্লে দান্স এন্দ ম্যুজিক ফেষ্টিবেল ২০১৮ তা এক্তর নর্মাদা সৌগাইজমদা নেসনল কোনকান মাধুরি এৱার্দ ২০১৮ পীরকখ্রে।

দি সাউদর্ন মণিপুরী আর্ট এন্দ কলচর প্রোমোসন সেন্তর ককচিং খুনায়াই লৈকায়গী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবী শক্লাইরবী এক্তর নর্মদা সৌগাইজমদা লেমজনিংঙাই ওইবা এৱার্দ অসি পীরকখিবনি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুংচন্না পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদসু এক্তর নর্মাদাদা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনাশিং, ক্লাসিকেল ওপন দান্স, সোলো ফোক দান্স অমদি থাং লৈতেং হায়বদা অহানবা পোজিসন তাখিবগী মনা পীরকখি।

এক্তর নর্মাদা সৌগাইজম কুমজা ১৯৯৮ কী ফেব্রুৱারি ৯ দা ককচিং ৱাইরি খুল্লাকপম লৈকায়দা পোকখি। সৌগাইজম জয়রাজ অমসুং সৌগাইজম ওংবী তোম্বীসনাগী মচানুপী অসিনা মণিপুরী ম্যুজিকল ভিদিও এলবম কয়াদা খোঙদারক্তুনা ঙসিদি মণিপুরী ফিল্মগী অচংবী এক্তর অমা ওইনা মীয়াম্না পাম্নরক্লি।

অমম্বা শায়োল, লিংজেল, চৌ চৌ মো মোনা হাওব্রা, শিংজু বোরানা হাওব্রা, থম্মোয়গী নোং, থেংনরমদ্রবা, লৈখমতোন, ইনাত্তা লৈরিঙৈ, ফিশাখোল অমদি শন্দ্রেম্বী শাইচ্রানচিংবদা এক্ট তৌখিবী নর্মাদা হৌজিক হৌজিক্লা রিলিজ তৌনবা থৌরাং তৌরিবা বংলাদেশকী সনা তম্ফাদা শক্তম লাংলি।

বংলাদেশতা চৎতুনা নম্লুরবা বংলাদেশকী ইহান হানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অসিদা নর্মাদানা মরুওইবা রোল লৌরি। মহাক থিয়েটরগী লমদা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ কয়ামরুম ফঙখ্রে। ওল ইন্দিয়া দান্স এন্দ দ্রামা কম্পিটিসন ২০১৫ তা বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংখিবতা নত্তনা ফিল্ম ফোরম মণিপুর অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা পাঙথোকখিবা নোংইন ম্যুজিক ফেষ্টিবেল ২০১৩ দা বেষ্ট এক্ট্রেসকী তাইতল ফংখি।

ওল মণিপুর ভিদিও ফিল্মস মেকর্স এন্দ প্রদ্যুসর্স এসোসিএসন্না ইহান হান্না শীনখিবা ফ্যুচর এক্তর ২০১৩ দা বেষ্ট দিসিপ্লিনগী তাইতল ফংখি। মহাক্লা এৱার্দ অসি ফঙলকপদা ঈপাক ফিল্ম প্রদক্সন মণিপুর অমসুং সঙাই ফিল্ম মণিপুরনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।



HL-B/4932/22&25 Oct.



HL-B/4933/22/10-21/11